# মোঙ্গোলিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিদা বোদি বিল্ডর ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা এসিয়ান ব্রোঞ্জ মেডলিষ্ট টি ঐচ সরিতা শরুক য়াবা ঙম্লোইদ্রা হায়বগী মীপায়বা ফাওরে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ঃ

মোঙ্গোলিয়াদা চহি অসিগী ওক্টোবর থাগী ৩ দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা বোদি বিল্ডর ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানবা মণিপুরদগী ইন্দিয়াগী ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা ৱুমেন প্লেয়র থিংবাইজম সরিতা দেবী, চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াবা ঙমগদ্রা নত্রগা ঙম্লোইদ্রা হায়বগী অৱাবা ফাওরে হায়রি।

সরিতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খোঙজোম সাপমদগীনি হৌজিক হৌজিক রোয়াল ফিটনেস একাদেমী জিম থৌবালগী প্লেয়র অমসুনি। থিংবাইজম বোগীরোট সিংহগী লোইনবী ওইদুনা অঙাং অনিগী মমা সু ওইরিবী হোৎনবা কনবা অখাঙ কনবতনা মশাগী হোবি ওইদুনা অঙাং অনীগী মমা ওইরফাও ষ্টেটকীদমক অমদি ভারতকীদমক মীংচৎ কয়া পুরক্তুনা ইন্টনের্সনেল, নেসনেল, ষ্টেটকী চেম্পিয়ন্সিপ, কন্টেষ্ট কয়াদা অমদি হন্দক্তা সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তসু ব্রোঞ্জ মেডল লৌরক্তুনা মীৎচৎ কয়া পুরকখ্রবা প্লেয়র অমনি।

অদুবু হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইনিদয়ান বোদি বিল্ডর ফেদরেসনগী সাইদতগী য়াম্না চাওবা দোনেসন পীরক্লবা হায়রকপদগী অচৌবা অৱাবা কয়া অমা মায়োক্লরে হায়রি।

চৎননবা পৈশা লৈতবা অমদি চাননবা দাইট লৈবদা অৱাৎপগী পোৎলুম পুরকপা কয়া অমদি ফেমেলিগী অৱাৎপা কয়া মাইয়োক্লরপা, অসিদগী প্লেয়র অসি হায়রিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসি চৎপা ঙমবগী আশা লৈত্রে। অদুবু গভর্নমেন্টকী সাইদতগী সিভিল সোসাইটি কয়াদগী, ক্লব, মাইরাপায়বী কয়াদগী, লনাই সংস্থান লুপ কয়াদগী মতেং পাংপীরক্তুনা প্লেয়র অসিবু নুংশিবীদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াহনবীদুনা লৈবাক অসিগী মীৎচৎ পুরকহনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

# প্রি সিজন টুরদা দিল্লি দাইনামোস স্পেনিস সিগানদা বি দিভিজনদা লৈবা এটলেটিকো এষ্টোরগাগী মখুৎতা মায়থিবা নঙখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২২ঃ

ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আইএসএল) ফুটবোল ফ্রেনচাইসগী প্রি সিজন টুরদা দিল্লি দাইনামোস স্পেনিস সিগানদা বি দিভিজনদা লৈবা এটলেটিকো এষ্টোরগাগী মখুৎতা পাঞ্জল ২–৫দা মায়থিবা নঙখ্রে।

ষ্টাদিও লা ইরাগুদিদা পাঙথোকখিবা আইএসএলগী টুর অদুদা হেদ কোচ মাইগুল এঞ্জেল পোর্টুগালনা ক্লব অদুগীদমক ফোরেননর ৭ শান্নবদা য়াওহনখি।

মসিগী মথাক্তা মহাক্না ট্রাইয়েল ওইনা শান্নরোই অনী অমসু এষ্টোরগগা শান্নবা অদুদা য়াওহন্দুনা চায়েং তৌখি।

স্পেনদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা গোল কিপর অলবিনো গোমসনা অনীরক হন্না গোল চল্লমগদবগী ঙাকথোক্তুনা চাং মান্ননা থম্বা ঙমখ্রে। অদুবু এষ্টোরগানা অকনবা এটেক্ট অদুমক চথ্দুনা লাকপা মরমনা ২৯শুবা মিনটতা ইমিলিওনা গোল অমা চনশিন্দুনা মাংজিল থাদুনা চৎখি। দিল্লি দাইনামোসনা কাউন্টর এটেক্ট অমা চথবদগী জেরোৱিন লুংবু অমসুং গুৱেল ফানাদেসকী অফবা লম্বানা মরম ওইরগা গোল ১ চনশিন্দুনা চাং মান্ননা লৈখি।

অদুবু ফার্ষ্ট হাল্ফ লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈ মতমদা এষ্টোরগাগী ভিলানা গোল ১ চনশিন্দুনা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা দিল্লি দাইনামোসকী কোচ পোর্টুগালনা শান্নরোই ৭ অমা হোংদোক্তুনা অকনবা এটেক্ট চথনবা হোৎনখি। অদুবু এষ্টোরগানা হেন্না কন্না এটেক্ট চথরকপদগী গোঞ্জলোনা চনখিবা গোল ১দগী পাঞ্জল ৩–১ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। অমসুং মখা তারকপদা থংন–থংননা গোল ২ অমগা এষ্টোরগানা চনশিন্দুনা মেটচ অদু থোইবগী ফিভমদা লৈখি।

দিল্লি দাইনামোসকী সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা সৈত্যসেন সিংহনা ফজবা গোল ১ ফঙবদগী ৮৭শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি।

অদুবু প্রি সিজনগী ফ্রেন্দলি মেটচকী অহৌবা মেটচতা দিল্লি দাইনামোস গোল ৫–২ দা এটলেটিকো এষ্টোরগাগী মখুৎতা মায়থিহৌখি।

# সেন্ট পিটর্সবর্গ ওপনদা ইন্দিয়াগী লিএন্দর পেস অমদি পুরব রাজাগী জুরা মায় পাকখ্রে, ক্বাটর ফাইনেল চঙখ্রে



সেন্ট পিটর্সবর্গ, সেপ্টেম্বর ২২ঃ

ইন্দিয়াগী টেনিস পেয়র লিএন্দর পেস অমদি পুরব রাজানা এটিপি ৱার্ল্ড টুর অমা ওইরিবা সেন্টর পিটর্সবর্গ ওপন টুর্নামেন্টতা ফেবিও ফোগীনি অমদি জেমস সেরেতানিগী পেয়রবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী জুরা লিএন্দর অমদি পুরবনা অহানবা সেটতা য়াম্না কোম্না ৬–৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেটতসু ফজবা হেন্দুনা ৬–৪ দা ফেবিও অমদি জেমসকী জুরাবু মায়থিবা পীখিবনি।

পেস অমদি রাজানা ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জরা জুলিয়ান নোলে অমদি অলেকজেন্দর পেয়াবু ৩–৬, ৬–৪, ১০–৬ তা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চংলক্লবা মরিশুবা সিদেদ মার্কস দেনিএল অমদি মার্সেলো দেমোলিনরগা লম্বা তৌনরগনি হায়রি।

অতোপ্পা টুর্নামেন্ট কলম্বস চেলেঞ্জরদা ইন্দিয়াগী মচিন তুমখৎলক্লিবা টেনিস প্লেয়র রাজকুমার রামানাথননা অমেরিকাগী টেনিস প্লেয়র সেকৌ বাঙ্গৌরাবু ৭–৬, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দ চংবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী য়ুকী বাম্ব্রী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা খ্বাং শোকপনা মরম ওইদুনা পোথাখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

# সদর হিলস ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ এলটিৱাইসি অমদি ঐচ ৱাই সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ঃ

কাংপোকপী দি ঐচ ক্যু এস থৌমাস গ্রাউন্দ ব্রিগতা পাঙথোক্লিবা লেট পু লেটগৌলেন দৌঙেল মেমোরিয়েল সদর হিলস ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা তাংনেম য়ুঠ ক্লব ইদ (এলটিৱাইসি ) না পি মৌলদিং য়ুঠ ক্লবপু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। অমদি ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা হায়পি য়ুঠ ক্লব (ঐচৱাইসি) না বোঙমোল য়ুঠ ক্লব (বিৱাইসি)পু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী ৩২ অমসুং ৫২শুবা মিনটতা থাংগৌলাননা কৌবা এল তাংনৌম ৱাই সিগী শান্নরোই স্কোর মথং–মথং তৌদুনা টিম অদু গ্রুপ এ গী অহুমশুবা থাক্তা লৈহনবা ঙমখি।

টিম অদুনা পুন্না মেটচ ৫দা পোইন্ট ৭ ফঙখি।

য়ুঠ ক্লবকী পি মৌলদিংনা ৬৫শুবা মিনটতা গোল ১ চন্দুনা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা ঙমখি।

টিম অদুগী দিফেন্দরশিংনা অকনবা মওংদা লম্বানদুনা অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল হন্দোকপা দাক্লবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মায় পাকখিদে।

এল তাংনৌম ৱাই সিগী থাংগৌলান অমসুং বিয়াক মোল অমসুং পি মৌলদিং ৱাই সিগী সাইটিনলুননা মেটচ অদুগী ২৯, ৩৬ অমসুং ৭৪ শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা বুক তৌখি।

অনীশুবা মেটচতা হাইপি য়ুঠ ক্লবকী লুনমিনহাওনা মেটচ অদুগী ২৫শুবা মিনটতা গোল ১ চন্দুনা গ্রুপ এ গী অনীশুবা পোজিসনদা লৈহনবা ঙমখি।

হাইপি য়ুঠ ক্লবকী হেঞ্জাও মেটচ অদুগী ১৩শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শান্নরুবা অমসুং অতোপ্পশিংদা অকায়বা পীরুবদগী রেফরিনা বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী মখা তাবা মেটচশিং হয়েং শান্নগনি অহানবা ওইনা মোটবুং য়ুঠ ক্লব অমসুং হাইপি য়ুঠ ক্লব শান্নগনি। অনীশুবদা তাফৌ য়ুঠ ক্লব অমসুং এস ফাইলেংকোট য়ুঠ ক্লব শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অদুদা এফ সি কাংচুপ গ্রুপ এ গী ৱিন্নর ওইবা অহানবা টিম ওইরে। টিম অদুনা মেটচ ৫দা পোইন্ট ১৩ ফঙদুনা মকোক্তা লৈবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেল শান্ননবা শেম শাখ্রে। টিম অদুনা গ্রুপ বি গী রন্নর্স অপ ওইরিবা টিমগা থা অসিগী ২৩দা থেংনগনি। সেমি ফাইনেলদা থেংনগদবা টিম অদু গ্রুপ বিগী সহৈ স্পোর্টিং ক্লব নত্রগা লৈমখোঙ বজার য়ুঠ ক্লবকী টিম ওইবা য়াই।

গ্রুপ বি গী রন্নর্স অপ কনানা ওইগদগে হায়বা চপ চানা লেপথোকপা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক রন্নর্স অপকী পোজিসন অদুগীদমক সহৈ স্পোর্টি ক্লব অমসুং লৈমখোঙ য়ুঠ ক্লব হয়েং শান্নগনি হায়রি।

গ্রুপ বিদা এস ফাইলেনকোট য়ুঠ ক্লবনা মেটচ অহুম শান্নবদা পোইন্ট ৯ ফঙদুনা মকোক থোংবা টিম অমা ওইরি।

তাফৌ য়ুঠ ক্লবকা হয়েং শান্নগদবা মেটচতা করিগুম্বা মায়থিরবসু এস ফাইলেনকোট য়ুঠ ক্লবনা অদুমক মাংজিল থানা লৈগনি। মরমদি গ্রুপ অদুগী ওইনা খ্বাইদগী পোইন্ট য়াম্না ফঙবা টিম ওইবননি হায়রি।

সেমি ফাইনেলদা গ্রুপ এগী রন্নর্স অপকা গ্রুপ বি গী অনীশুবা থাক্তা লৈবা টিমগা শান্নগনি হায়রি।

# এসিয়া কপ্তা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী লীংবা টিমনি হায়বসি পাউ–চেশিংদা পংহায় হায়বনিঃ পাক কোচ

ধাকা, সেপ্টেম্বর ২২ঃ

বংলাদেশতা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপ হোক্কি টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়া খ্বাইদগী অফবা টিম অমা ওইগনি হায়না ফোঙদোক্লিবা অসি পাউ–চেশিংদা পংহায় হায়বা ওইগনি হায়না পাকিস্তান হোক্কি কোচ ফরহট খাননা ঙসি ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

মথং থাদা বংলাদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপ অসিদা পাকিস্তান ইন্দিয়া, জপান অমসুং য়ুম্বু বংলাদেশ য়াওরিবা পুল এদা থেংনগৌরিবা টিমশিংনি।

টিম অদুনা ধাকাদা ওক্টোবর ১১দা পাঙথোক্কদবা হিরো এসিয়া কপকী ওপনিং মেটচতা বংলাদেশকা শান্নগনি।

মখা তারকপদা ওক্টোবর ১৩ অমসুং ১৫দা পাকিস্তাননা জপান অমসুং ইন্দিয়ান টিমগা মথং–মথং থেংনগদবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা নম্বর ৬শুবদা লৈবা মরমনা এসিয়ান টিমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফবা টিমনি হায়না লৌরি অমসুং হন্দক্কী এসিয়া কপ অসিদা য়াওরিবা এসিয়ান লৈবাকশিংগী টিমশিংগী মরক্তা য়াম্না অকনবা মওংদা থেংনগনি হায়না তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী টিম অদুগী মশান্নশিং অদু য়েংলগা ফরহটনা ফোঙদোকখি।

অদুবু টিমশিং অসিগী মরক্তা থোইদোক্না অহোংবা মশান্নগী মওং কয়া পুরকপা ঙম্লগনি মালেসিয়াদা তৌখিবগুম টিম খরদি ময়াম্না খন্নরি অদুগী মথক্তা হেন্না ফজনা স্কোর তৌরকপা ঙম্বা য়াই। মরমসিদগী টুর্নামেন্ট অসি থোইনবগীদমক পাকিস্তানগী শান্নরোইশিংদা হেন্না মীৎয়েং চঙনা শান্নবগী তঙাইফদবা লৈ। হৌজিক শান্নগদৌরিবা টিম অসিগী মনুংদা মখোয় মখোয়গী অশোইবা কয়া অমা মেনখৎপগী তঙাইফদবা লৈরিবনি।

পাকিস্তানগী মাইকৈদগীসু হন্দক্তী মশান্না অসিদা থল্লিবা পান্দম অদু ফঙনবা হোৎনগদৌরি। মমাংগী ৱার্ল্ড কপ্তা পাকিস্তান টিম ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবা অমসুং ইং ২০১৬ ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা ঙমখিদবা অদুনা মরম ওইরগা হিরো এসিয়া কপ ২০১৭ অসিদগীদি খ্বাইদগী ফজবা মওংদা শান্নবা ঙমনবা হোৎনরি হায়নসু টিম কোচ অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ফিফা য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপকী ইন্দিয়াগী ওইবা ফুটবোল্লর ২১গী মমিং লাউথোকখ্রে ফুটবোলদা ওইথোক্তবা হায়বা লৈতেঃ লুইস নোর্টোন দি মাতোস



মারগাও, সেপ্টেম্বর ২২ঃ

মথং থাগী ওক্টোবর ৬তগী শান্নবা হৌগদৌরিবা অন্দর –১৭ ৱার্ল্ড কপকী ইন্দিয়াগী ওইবা ফুটবোল্লর ২১গী মমিং লাউথোকখ্রে।

য়ুম্বু লৈবাক ওইরিবা ইন্দিয়ানা গ্রুপ এ দা য়ু এস এ, কলমবীয়া অমদি ঘানাগা লম্বা থেংনগদৌরি।

ওক্টোবরগী তাং ৬ অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা য়ু এস এ গা লম্বা তৌনগদৌরি।

ওক্টোবর ৯দা কলম্বীয়াগা অমদি ওক্টোবর ১২দা ঘানাগা দিল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা লম্বা থেংনরগনি। গ্রুপ অসিদা ইন্দিয়াগা লম্বা থেংনগৌরিবা লৈবাক অহুম্মক ফুটবোলগী লমদদি ইন্দিয়াদগী য়াম্না হেন্না থাক ৱাংনা লৈরিবা লৈবাকশিংনি। অদুবু ইন্দিয়াগী কোচ ওইরিবা লুইস নোর্টোন দি মাতোসনা মহাক্কী শান্নরোইশিংবু পুক্নিং থৌগৎলদুনা ফুটবোলদা ওইথোক্তবা হায়বা লৈতে। ঐখোয়গী টিমনা ১০০গী মনুংদা ৫ খক্তং থোইবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবদা ঐখোয়না থোইনবা শান্নবগী থৌনা লৈ। মালেমদা ইনিদয়াসু ফুটবোলগী লমদা খুদিংমক্তা লম্বা পাবা ঙম্মী হায়বদু উৎননবা শেম শারে হায়খি।

খনগৎলবা ফুটবোল্লর ২১ অদুদি গোল কিপরদা ধিরাজ সিংহ, প্রবসু খান গিল, সনি ধালিৱাল। দিফেন্দরদা মণিপুরদগী বোরিস সিংহ, জিতেন্দ্র সিংহ, অনৱার আলি, সঞ্জিব ষ্টেলিন, হেনদ্রি এন্থোনি,নমিট দেসপাদে। মিট ফিল্ডরদা মণিপুরদগী সুরেস সিংহ, নিংথোইঙানবা মৈতৈ, অমরজিৎ সিংহ কিয়াম (কেপ্টেন), অভিজিট সরকার, কোমাল থাতাল, ললেংমাৱিয়া, জেকসন সিংহ, মণিপুরদগী নোংদম্বা নাওরেম, রহুল কনোলি প্রভিন, এম দি সহজ হান। ফোৱার্দতা রহিম অলি অমদি অনিকেট যাদবনি।

# ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ঃ

অহানবা পান্দিট অচৌবা ঙারিয়াম্বম কুল্লচন্দ্র মেমোরিয়েল সেনিয়র ওপন এন্দ জুনিয়র ওপন ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ গী সেনিয়র কাংলুপ্তা লিয়াং টুৱাং কামৈ ফাউন্দেসনগী ৱাঙ্খেরাকপম প্রিয়োর্বটা সিংহনা অহানবা পোজিসন, য়ু জি এম নাউরেমথোংদগী লাইশ্রম নেতা সিংহনা অনীশুবা পোজিসন অমদি সঙাই জিম, খাগেম্পালিদগী নেপ্রম রোসন সিংহনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র কাংলুপ্তা রোয়াল জিম, নিঙোমথোংগী লৈশাংথেম থোইবা সিংহনা অহানবা পোজিসন, প্রভবাটি ফিটনেস সেন্তরগী দরৱিন থাংজমনা অনীশুবা অমদি লময়ানবা জিম, য়াইরিপোকগী কৈশাম মিজেন সিংহ না অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*